থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# নোংপোক অমসুং নোংচুপ - ২

চমোৎ-চুদাইনবা ফিজোল শেৎপা, লম্বীগী চাক্লিবা অমনা নোংমা অচৌবা লম্বী (সড়ক) অমগী ময়ায়দা লেপ্লগা কৈথেল অচৌবরোমদগী ময়ূম তান্না থৌরক্লিবা কার অমা খাল্লম্মী। মফি নান্না শেৎপা, অচৌ-অশাং মানবা নুপা অমনা থৌরক্লম্মী।

'সার, ঙসিগা থানা হুম্নি শুদৌরে চাকখাওসিদা চাক মরূ অমত্তা তাদনা ঈশিং থক্তুনা লেল্লক্লিবা... চাক চরা অমত্তং চাবা কোন্ননবা শেল খরদং পীবীরম্মু, তাইবং মপুনা চানগনি... তাৎ-পাৎকী তৌশিন্নবা চাক্লিবা, অফংবা শেল খরদং ওইরবসু থেংনবা মী খূদিংমক্তগী লৌহৌগে খনবা মখলদু ওইরমদবদুদা ঙকখি নুপাদু। 'মহৈ-মশিন নীংথিনা হৈবা, মীরক তীনবা ইমুংদগী ওইরমগনি চাক্লিবসি, মরাইবক থীবা তানফম অমদগী নিরগা চাবগী ফীভমসিদা লাকখিবা ওইরম'নি'... খল্লদুনা, নুপাদুনা চামঙা চৎপী অনীখক লৌথোক্লগা চাক্লিবদুদা পীরম্মী। নুপাদু নুমীত্তুদা 'লোট্টরি' অমা ফাওদুনা, শেল চবুন অমা পুরগা লাকপা তানফম থোক্লুবজাৎনি।

চামঙা চৎপী অনী লান্থোরকপদু উবদা চাক্লিবদু ফাক ফাক পেন্না নোকথোরক্লম্মী। কার মপুদু অমুক্কা হেন্না ঙকখরে। 'ঙাওরবজাৎলা মহাকপু'... খল্লগা ঙক্না হংলম্মী... 'করিগীনো নঙনা অদুম্না নোক্লিবদি'...?

'ঐনা নোক্লিবগী মরমদি অতৈ নত্তে সার... ঐনা ঙসি লেপ্লিবা মফমসিদা অদোমসু লেপ্লগদবা কুইদ্রে খল্লুবদনি... ঐগীসু লৈরম্মী মতম অমদা নহাক্কীসিগুম্বা ফজবা কার, নুংতিগী পুদুনা চৎলম্মী ফুরিৎখাও চোন্না লুপা লিশিং কয়া, নোংমতা মশীং থীরুদে... তোল্ল-তারবা, লায়রবা মী উবদা থম্মোয় ফাথবা ঙল্লমদে, পীথোকপদুনা ঐগী নুংঙাইবা ওইরম্মী, কথোকপদা হালেংদবা, ইশাগী ওইজবা থিদবা মীশক অমনি- শোন্নরম্মী লৈকায় হুপ্লা... কুইররোই সার, য়েংবীয়ু, অদোম্না মফমসিদা লেপ্লগদবা নুমীত্তু'।

কার তোংবা নুপাদুনা থাজখিবা 'ওর্দিনেরি ইকোনোমিক্স'নি। মহাক খঙদে 'স্পিরিচ্যুঅল ইকোনোমিক্স' করিনো? নোংপোক্লোমদগী হৌখিবা 'স্পিরিচ্যুঅল ইকোনোমিক্স' ঙসিদি, নোংপোক-লমদম শীন'-থুংনা কাউথোক্লবা হৌরক্লে। বুদ্ধ অমসুং মহাবীর- কনানসু নীংশিংনদরে। নোংচুপলোমগী খৃষ্টিয়নিতিগী ফিদম্না পাক্লা-শন্না হুল্লক্লে। চেরিতি (কথোকপা) হায়বসি লায়রবশিংবু মতেং পাংবদুতনি খন্নরক্লে- লায়রবশিংনা মহৈ-মশিন তম্লবা মহৈশঙ লীংবা, লায়রবশিংগীদমক অনা-লায়েংশঙ শাবা। ঙসিগী লায়রবা অঙাংশিংনা তম্বা ফংদ্রবা প্রাইভেট মহৈ-লোয়শঙ (স্কুল)শিং-চেরিটেবল স্কুলনি... মমল য়াম্বা লায়েং'মল পীদুনা লায়েংবা ঙমদ্রবা প্রাইভেট/মিসনেরি হোস্পিটালশিং- চেরিটেবল ইন্সটিট্যুসন'নি, ওইজবা থাদোক্লবা, সেলফিস ওইদবা শেঞ্জাও পায়বশিংনা লীংখৎপা। স্কুল/কোলেজশিংদা লম্মীৎ-তুম্মীৎ (জিওগ্রাফি) অমসুং হৌখ্রবা মতমদা পানখিবা, মীচম-মীয়ামগী মরল-মথুম-হক মৎলগা অচৌ-অচৌবা কোনুং/মন্দির/মসজিদ শাখিবা, মীওৎপা নিংথৌশিংগী ৱারী (ইতিহাস) তম্বীবা- মখোয়গী মীৎয়েংদা চেরিতিনি, কথোকপনি। চেঙ্গিজ খান, তাইমুরলং, নাদির সাহ, আলেকজ্যান্দর- দ গ্রেট, শাহ জহান, ঔরঙ্গজেব, তুজুংনীংঙাই ওইবা আইভান- দ-তেরিবল'নচিংবগী ৱারী, তুংগী মীরোলদা তম্বীবা- পুকচেল চাউবা 'চেরিতি'গী থবক্লি। কয়াদা নোক্লিংখ্রবনো? মীওইবা মশেল নুংশি-চান্ননা, ঈংনা চিক্লা লৈমিন্ননবা, অকি-তুজুং পোক্তনা নুংঙাইনা হিংমিন্ননবা, মশাবু মশক খঙজনবা লম্বী তাকপা অদুনা মশাগী ওইজবা থিবা/সেলফিস ওইবা থবক! ওন্থোকপা পেরাদোক্স অমনি। ওর্ফানেজ লীংখৎনবগীদমক্তা মমা-মপা লৈজদ্রবা, চাবা থকপা ফংদ্রবা অঙাং কয়া- লৈহনবা তাই হান্ননা। চাক্লিবশিংদা চাক পীজনবা, শেৎনবা ফি য়েন্নবা, চাক্লিবা মশীং হেনগৎহনবা তাই। মখোয়গী থৌগল তৌবদা অতোপ্পা থবক তৌদনা, কেমহনবা তাই পুন্সিসিমা- অচৌবা মীনি শীংথাহন্নবা।

লায়রবা-ইনাক খুনবা, হিন্দু-মুস্লিম-সিখ-ইশাই পূম্নমক্না পাল্লিবসি 'নুংঙাইবা পুন্সি' হায়বদুনি। নুংঙাইনা পুন্সি লেন্নবগীদমক্তনি তোঙান তোঙানবা পুন্সি-থৌদাং (কর্ম্ম) পাঙথোক্লরিবা। 'নুংঙাইবা' (হেপ্পিনেস) হায়বসি করিনো? করম্না ৱাহন্থোক পীগদগে... অরুবা ৱাহং অমনি। ধর্ম্ম শন্দোকপা কাঙবুনা পীবা ৱাহন্থোক নীংশিংগুমসি। ঐসু খঙদে- করম্না দিফাইন তৌগদগে? অদুবু, 'নুংঙাইবা-পুন্সি' হায়বসি ঐবু য়োকপী-থাকপীরকপা ইমা-ইপা, অহল-লমন অমদি ঐনা হিংলিবা খুন্নাই অসিদগী লৌরুগদবা 'রেদি-মেদ-পেক্কেজ' অমা নত্তে হায়বসিমদি খঙই ঐহাক তশেংনা। ঐনা হিংলিবা পুন্সিসিগী মীকূপ খূদিংমক্তুগা ঐনা থেংনরকপা/লান্থেংনরকপগী মহয়দুনি ঐগী নুংঙাইবা নৎত্রগা অৱাবা। আ নোংদোলথক্তা, লৈচিল-নোংফাই মরক্তা ফল্লিবা কনাগুম্বা অমনা শীল্লকপা থৌশিল, মালেমদা লৈবা মনাই অমনা থৌপাঙলগা ওইহনবা নত্তে। ১৯৪৭, ইন্দিয়া'না নীংতম্বা লৈপাক ওইরকপা, পাকিস্টান খায়দোকখ্রবা মতুংদা অপূনবা ইন্দিয়াগী মীশিং ক্রোর কুন্থ্রামরিরোম ওইরম্বদু, চহী হুম্ফুতরামঙাগী মতুংসিদা ক্রোর চামা নিফু হেল্লম্লে। হান্নদগী শরুক মরি মখায়। অপূনবা মীশিংগী চাদা মরিফু, লায়রবা মী ঙাক্তা। লায়রবা মী মশীং হেনগৎহন্দনবা, পোপ্যুলেসন কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী মহুৎ, লায়রবশিংবু মতেং পাংনবা থৌশিল, চাবা ফংদবশিংদা চীঞ্জাক লেম্না পীজবা, ফি শেৎপা থুংদবশিংদা ফি য়েনবা... অরোনবা-লল্লোন-ইতিক তৌদুনা শেন্দোং তানবা হুরানবশিংনা-পুকচেল চাউবা/থৌজাল হৈবা' হায়বা মিংথোল (তেগ) অদু নপ্পনবা পামজনা তৌবা থবকশিংনি। নোংচুপলোমদই হৌরকপা অঙকপা থবক-থৌরমশিংনি- মীবু হান্না নাহল্লগা, অনাবশিংদা হিদাক লেম্না য়েন্ননবা লম্বী/পাম্বৈ পুথোকপা, লায়ন্স ক্লব/রোটরি ক্লব- চেইন শেমগৎপা... পূকচেল চাউবশিংগী 'দোনেসন-পুল' শেমগৎপা। শীজিন্নদনা হুন্দোক্লল্লগদবা হিদাকশিংদু খোমগৎতুনা লায়রবা ইমুংগী লায়েংবা ঙমদ্রবা অনাবশিংদা য়েন্থোকপা... মমল লৌদনা লেম্না পীবা 'ফ্রী-সর্ভিস'তুবু কৌই মখোয়না- 'হ্যুমেনিটরিয়ন সর্ভিস'/ওইজবা থিদবা, সেল্ফলেস সর্ভিস। 'পোপ্যুলেসন এক্সপ্লোজন'- মহৌশাগী চাং কায়না মীশিং হেনগৎলকপা- লৈপাকসিদা লায়রবা মশীং হেনগৎলকপগী অচৌবা মরম অমনি। 'বর্থ -কন্ট্রোল'- খৃষ্টিয়ন অমসুং ইস্লামশিংনা খ্বাইদই য়াদবা/তাথীজবা থৌরাং অমনি। মীশিং য়ামদবা ইমুং, য়ুম্বাল্লবা নুপা-নুপী অনীগী অঙাং অনী নৎত্রগা অহুমদগী হেন্দবা- 'নুংঙাইবা ইমুং অমনি' হায়বা খোল্লাউ- মখোয়না খ্বাইদই পামজদবা, য়েম্মৌনবা খোল্লাউনি। চাবা ফংদবা, লায়র অনঙ, লায়না-তীন্না, প্রোব্লেম নত্তে মখোয়দা... মখোয়গী লাইনিং- লম্বীদুদা চৎপা মীগী মশীং হেনগৎহনবনা মরুনি। মালেমসি নোংমা মখোয়না পানগদবনি- হায়বসিদা থাজজবা 'রিলিজস-ফেথ' অমসু লৈ... মখোয়গী লাই'না খ্বাইদই পূমথোই থোইবনি, খ্বাইদই পূমঙম ঙম্বনি থাজজবা। 'নুপী মরীদই তাদনা থিগদবনি, অঙাং মশীং য়ামগদবনি'... হায়বসিনা খোল্লাউ ওইবা কাঙলুপ্তুগী হৌরকফম্না- নোংপোক্লমসু নত্তবা নোংচুপ-লমসু নত্তবা, অনীসিগী ময়ায় ওইবা-লম, মিদল-ইষ্ট নৎত্রগা মিদল-ৱেষ্ট হায়না শীংথানৈ।

লৌশিং পুক্কে

# তূম্বদা খোঙয়া শাগৎপদগী

## থেংনবা নুংঙাইতবশিংগী মতাংদা খঙমিন্নসি



মালেমগী মীয়াম্না চাউখৎপগী লম্বীদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙল্লবসু ঐখোয়গী হকচাংদা মখল মখা কয়াগী নুংঙাইতবশিং মতম পুম্বদা অদুম্মক মায়োক্লরি। মখল মখা কয়াগী লায়নানা মরম ওইরগা মমল য়াল্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহনখ্রে। অমরোমদা ঐখোয় মীওইবনা থেংনবা নুংঙাইতবশিংগী মনুংদা অহিং তূম্বা মতমদা খোঙয়া শাগৎপা অসিসু অমনি। খোঙয়া শাগৎপনা মরম ওইরগা মতম চানা তূম্বা ঙমদবা অমদি হকচাংদা মখল কয়াগী নুংঙাইতবশিং থোকহল্লি। খোঙয়া শাগৎপা অসি মরুওইনা শিংলি-নাওরি মপাঙ্গল শোনজিল্লকপা নৎত্রগনা ন্যুরোপেথিগী থৌওংশিংনা মরুওইনা থোকহল্লি। পেরিফেরেল ন্যুরোপেথিনা ঐখোয়গী খোঙ অমসুং খোঙয়া কা হেন্না শাগৎহনবা অমদি নুংঙাইতবগী থৌদোকশিং থোকহনবদা চাউনা মতেং পাংশিল্লি। শিংলি-নাওরি মপাঙ্গল শোনজিল্লকপা অসি মরুওইনা অলকোহোল কাঙলোন লান্না শীজিন্নবা, কেমোথেরাপি, দাইবেটিস নারবা মীওইশিং অমদি ভাইরেল অমসুং বেক্টিরিয়েল ইনফেক্সনশিংনা মরুওইনা থোকহল্লি। মথৌ তাবা ভিটামিন ৱাৎপদগীসু শিংলি-নাওরি মপাঙ্গল শোন্থহল্লি। খোঙয়া শাগৎপগী মরম য়াম্না লৈখ্রে। মরমশিং অদুগী মনুংদা হোর্মোনদা অহোংবা লাকপা, ফঙ্গেল ইনফেক্সন থোকপা অমদি কিদনি নারবা মীওইশিংদসু খোঙয়া শাগৎপগী থৌওংশিং য়াম্না তোয়না থোকহল্লি। খোঙয়া শাগৎপনা মরম ওইরগা থোকহনবা নুংঙাইতবশিং ঐখোয় অয়াম্বনা থেংনরবা ঙাক্তনি। অদুবু মতৌ করম্না খোঙয়া শাগৎপা অসি কন্ট্রোল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা ঐখোয়না ঙসি ফাওবদা অখঙ-অহৈশিংদা চৎতুনা হংলুবগী চাংদি য়াম্না ৱাৎলি। মরম অদুনা মসিগী মতাংদা ঐখোয় খরা খঙমিন্নসি।

অহানবদা ঐখোয়না ঐখোয়গী খোঙয়া শাগৎপা অসিগী মরম হান্না খঙদোক্লুবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা দাইবেটিস নারবা মীওই অমনা খোঙয়া শাগৎপগী থৌওং থেংনরবদি মহাক্কী নুমীৎ খূদিংগী চারিবা দাইট নৎত্রগা মেদিকেসন্দা খরা হোংদোক হোংজিন মথৌ তারক্কনি। অলকোহোল কাঙলোন লান্না শীজিন্নবা অমদি অলকোহোল এদিক্সন অসিসু খোঙয়া শাগৎপগী অচৌবা মরম অমনি। অদুবু হায়রিবশিং অসি থেরাপি অমসুং মেদিকেসনগী মতেংনা ফহনবা ঙমগনি।

ভিটামিন নৎত্রগা হকচাংদা মথৌ তাবা কয়া ৱাৎলকপদগী খোঙয়া শাগৎপগী থৌওং থোকহল্লকপসু য়াওই। মরম অদুনা ঐখোয়না মথৌ তাবা ভিটামিন অমদি অতোপ্পা মচলশিং অখঙ-অহৈ তান্নদুনা চানবা হোৎনগদবনি। ফুদ সপ্লিমেন্টশিংনা খোঙয়া শাগৎপগী থৌওং অসি থিংবদা চাউনা মতেং পাংই। ঐখোয়না খোঙয়া শাগৎলকপা মতমদা শীজিন্নবা য়াবা ফুদ সপ্লিমেন্টশিংদি অলফা-লিপোইক এসিদ, এমাইনো এসিদ, এন্টি ওক্সিদেন্ট অমসুং এন্টি ইমফ্লেমেন্টরি চাং য়াম্না য়াওবা য়াইঙংগুম্বা পান্থীগী মনা অমদি মরূশিং চাবা য়াম্না কান্নে। হায়রিবশিং অসি রিছার্সরশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্ননি। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না ফবা পাম্বৈদি ঐখোয়না অনৌবা ফুদ সপ্লিমেন্টশিং লৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ডোক্তর তান্নবনি।

অমরোমদা, নর্ভ ইষ্টিমুলেসন থেরাপি অসিসু খোঙয়া শাগৎপা কন্ট্রোল তৌবদা য়াম্না মতেং পাংই। মসি নত্তবা অতোপ্পা খোঙয়া শাগৎপদা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা থেরাপি মখল খরদি মেগ্নেটিক ফিল্ড থেরাপি, লেজর থেরাপি অমসুং লাইট থেরাপিনি। হায়রিবশিং অসি তৌনবা হোৎনবদা মতম অমদি শেল চঙগনি। মরম অদুনা মথক্তা হায়খ্রিবশিং অসি নত্তবা ঐখোয়না য়াম্না লায়না তৌবা য়াবা অমদি ঐখোয়গী খোঙগী শিংলি-নাওরি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবনি। খোঙ অমদি খোঙয়াগী শিংলি-নাওরি মপাঙ্গল ফনা থম্নবা হোৎনবদা ঐখোয়না নুমীৎ খূদিংগী তোংনরিবা খোঙউপ অমদি সেন্দলগী মখা য়াম্না পোল্লি। তোংবদা নুংঙাইবা অমদি অমোনবা মখলগী খুগা য়াওবা খোঙউপশিং উপ্পবা হোৎনগদবনি। তূমদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ইপসোম থুম (মেগ্নেসিয়ম সলফেট) ঈশিংদা হাপ্লবা মতুং খোঙয়া শেংনা চামথোক্কদবনি। তূমদ্রিঙৈগী মাঙওইননা খোঙয়া মসাস তৌবসু য়াম্না কান্নগনি। অদুবু ঐখোয়না নীংশিংগদবদি ঙসি ফাওবদা খোঙয়া শাগৎপগী থৌওং অসি লায়েংনবা হিদাক পুথোকপা লৈত্রি। খোঙয়া শাগৎপগী মরম য়াম্বনা মরম ওইরগা মসি লায়েংনবা হিদাক লাংথকশিং পুথোকপদা খুদোংচাদবা থেংনরম্বসু য়াই। মরম অদুনা খোঙয়া শাগল্লি খঙজবা মীওইশিংনা নীংথম থাগী মতম ওইরবসু য়ারিবমখৈ তূম্বা মতমদা খোঙ অদু ফৈজুপকী মপান্দা থম্নবা হোৎনগদবনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# য়ুম মৈ তুম্না চাকখ্রবা সনাগী ইমুংদা লুপা লিশিং ২০ তেংবাঙখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ৩ (ঐচ এন এস) :

ঙরাং নবেম্বর ২গী নুংথিল পুং ৩ লোম তাবা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেন্থা হৈবুংদা ইলেক্ট্রিক সোর্ট সার্ক্যুইটতগী হৌরকপা মৈনা ওইরম্বা থৌদোক্তগী লৈনরিবা য়ুম তুম্না তাঙ্গোই তানা চাকখ্রবা মোইরাংথেম সনা (৪০), লোয়নবী মোইরাংথেম ওংবী ঙন্বীগী ইমুংদা ঙসি লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরগী থৌমীশিংনা খুদক্কী মতেং ওইনা লুপা লিশিং ২০ গা লোয়ননা কম্বল অমদি চেঙ বেগখায় অমা মতেং পাংদুনা ইমুং অসিগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে হায়না এল এম জি মণিপুরগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এল এম জিগী ৭২ রকশুবা তেংবাঙ থৌরম অদু গ্রুপ অসিগী এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর নারেংবম রোবিন্দ্রোনা লুচিংখি। তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবম, পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম, এগজিক্যুটিভ মেম্বর রোসন মোইরাংথেম অমদি মাইবম ইতিন, সুরেন্দ্র নিঙোম্বা, শ্রীময়ুম জিবন শর্ম্মা, সোবিতা মাইবম, কোঞ্জেংবম বিক্রমজিৎ, নাওরেম রোমিলা, কুঞ্জেশ্বর মংশাতাবম, সুনি নোংথোম্বমনচিংবা মরুওইবা মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি।

তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা গ্রুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা তেংবাঙ পীখিবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা হায়খি, ঐখোয় মীওইবা অসি খুদোংথিবা অমদি অৱাবা কয়ানা তুংওইনরগা চৎলিবা ঙাক্তনি। মীওইবা অমগী ইমুং-মনুংদা কা হেন্না অৱাবা অমদি খুদোংথিবা থৌদোক উরগা মীয়াম্না খঙশিন্নদনা, উশিন্নদনা তুমীন্না লৈশিনবগী মহুৎ অঙম-অঙম্বা মতেং পাংশিন্নরগা অৱাবদা শরুক য়ামিন্নবগী থম্মোয় চাউবগী চৎনবী অসি লৈরগদি খুন্নাই অসি চাউখৎপা খুন্নাই অমা শোয়দনা ওইরক্কনি। লুপা লিশিং, লাখ, ক্রোর কয়া পায়রবা মীওইবশিংগী মরক্তা হ্যুমেনিটি সর্ভিসকী ৱাখল্লোন চেনবা মীওই কয়া লেপ্তুনা থোকপীরক্তুনা অৱা-অনা, খুদোংথিবা তারবশিংগীদমক লেপমিন্নসি। মীওইবা ঐখোয়না লৈনরিবা য়ুম অমা তাঙ্গোই তানা চাকখিবা থৌদোক অসি খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা থৌদোক অমনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি ইমুং অসিদা অমদি মীওইবা খুন্নাইসিদা অমুক হন্না থোক্তবা ওইরসনু। থৌদোক অসিনা অৱাবা নংহল্লবা মোইরাংথেম সনা অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবা অসিদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা গ্রুপ অসিনা অঙম্বা মতেং পাংবনি। মণিপুরগী মীয়াম্নসু সনাগী ইমুংগী অৱাবা অসিদা অঙম-অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এল এম জি মণিপুর অসি লিংখৎখিবা শুপ্নতগী চহী ১গা থা ৪ রোমতা ঙাইহরি। তেনখ্রবা মতম অসিদা গ্রুপ অসিগী থৌমীশিংনা থা অমদা শুপ্নতগী লুপা ১০০/১০০ খক কথোকপগী ৱাখল্লোন্দা পুখৎনরগা লমদম অসিগী অৱা-অনা খুদোংথিবা থৌদোক নংলবা ইমুং ৭১দা ঙসি ফাওবগী মনুংদা তেংবাঙবা ঙমজখ্রে। তেংবাঙ থৌরম অসি গ্রুপ অসিগী ৭২ রকশুবা তেংবাঙ থৌরমনি। লমদম অসিগী মীয়াম্নসু এল এম জি গ্রুপতা য়াওবীদুনা অৱা-অনা খুদোংথিবা তারবশিংগীদমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নসি হায়খি। তেংবাঙ অসিদা কম্বল ফি অমদি চেঙ বেগখায় অসিনা মেম্বর নাওরেম রোমিলা অমদি কোঞ্জেংবম বিক্রমজিৎনা তেংবাঙপীরকখিবনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪। ১১। ২০২২ ইং, ইরাই;
হিয়াঙ্গৈগী ১১ নি পানবা।

মেষ: লল্লোন-ইতিক্তা মায় পাকচবা, অরিবা থবক পাঙবা, য়েৎনরম্বা কোকচদুনা লন ফংবগী নুংঙাইবা লাক্কনি। ৱাফংনবদি চোপতুনা তোক্কনি-ৱাঙাং হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: নীংবা থুংবা, থবক পাঙবা অমদি শেন্দোং তানবদা মায় পাকচবা লৈগনি। লাঙতক্লবনা নথক থোংবগা মরী ফত্তবা, মীনা ইনশিনবা লৌবনা কায়নবা নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: থাজদনা কান্নবা য়াম্না লাক্কনি, অরাপ্পদগী কান্নবা ফংবা অমদি নুংঙাইবা পাউ তাজবগী পেঞ্জবা লৈগনি। লৌশিং থাদরদি অয়াম্বা লমদা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

কর্কট: মরুম মপাং কায়নদনবা হোৎনৌ-মরুপ খনবা হৈয়ু অমদি নোল্লুক্লা চৎলু। থবক মাঙবা অমদি নচা-ননাইগা ৱাখল তান্নদবা লৈতনবা অশাওবা থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: শেন্দোং য়াম্না লৈগনি, নীংবা থুংগনি, খুৎচাও থাবসু মতাং চাই। হন্থবদি লোয়নগনু অমদি অখঙ-অহৈ শাগনু। য়েৎনরম্বদি ফরনি, থিবা হুম্বগী কান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: চিংনবা অমদি হুরানবনা কিহনবা য়াবা লৈরসু লান্দবনা মায় পাক্কনি, মরুপ মপাং লোয়নবা থৌ য়াঙগনি। লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: ঙসিসু কোক শাবা, মতম মাঙবনা হেনবা, খুৎচাও থাবা য়াদবা নুমিৎনি। মীকোক থোংবা ৱাবগী পুক্লিং পেন্দবদি লৈগনি। থৌনা হন্দবনা অঙম্বনদি চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: অফবা মিংচৎ তানবদি মতাং চাগনি, অরং-অরাক নৎত্রগা শেল থুম ফংবা য়াবা লাক্লনি। হন্থবা লোয়নবনা অমদি অশাওবনা মীপায়বা নংবা য়াবা লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

ধনু: নচাক নরলদা হান্নগুম য়েংশিনবা লৈগনি-তহা তহাগনু। নচা-ননাইদা হন্থবনা কিহনগনি, মরম চাদনা মীৱা হেন্না থাজগনু। নীংজবদি থুংগনি, শেন্দোং লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: হরাওবা, নুংঙাইবা, নচা-ননাই চাওখৎপা অমদি মীয়াম পুনবগী নুংঙাইজবা ঙসিসু লৈগনি। ইচঙ থৌনা পাঙনিংবা থবকসু পাঙগনি। শকখঙদবদি লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: হরাওবা নুংঙাইবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা, য়েক্লবা হন্থরকপা নুমিৎনি। অনম তানবদি নথক থোংবগা মুক্লগনি-নোল্লুক্লা চৎলু অমদি অশাওবা ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: হেন্না খুৎ চাওবা ঙসিসু ফরোই, হন্থবা লোয়নগনু-মাঙগনি। অফা-অপুন্নবদি কোকচগনি, শেল থুম কান্নগনি, অফবা মরুপ লোয়নরদি অফবা মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# ওইদবা ঐগী, ওইদবা নঙগী

থৱান



